## এডিটোরিয়েল

### অথুবা মতমদা মীয়ামগী ৱাকৎ পূন্বা থবক্তা ওন্থোক্লবা হোৎনবগী মথৌ তারে

*ঙসিগী লৈঙাক অসিনা মীয়ামগী ৱাকৎ কয়া তাদুনা শোৎখহৌরবা মফমশিংদা লৈঙাক অসিগী তোঙান–তোঙানবা থৌশিল কয়া অমা পায়খৎকনি হায়বগী থাজবা পীদুনা লাক্লি। অদুবু ঙসি ফাউবা পীখিবা থাজবশিং অদু থবক ওইনা কদাই ফাউবা য়ৌনা চাদা পারগা পাংথোকখ্রবগে হায়বসি হঙদবা য়াদবা অমা ওইরে। মসিদি মীয়ান্না হংবনি, লৈঙাক্কী তুশোন–মানশোন্নবা থবক–থৌশিল কয়া অদু ঙায়দুনা মতম কয়া য়ান্না ঙায়খিগদৌরিবগে হায়বদুগী ৱাহং অমনি। চহি কয়াগী মমাংদগী মণিপুরদা অচৌবা শেনফম থাদদুনা মখল খুদিংগী চাউখৎ–থৌরাংগী থবকশিং পায়খৎনবা সেন্ট্রেল অমদি ষ্টেট গভর্ণমেন্টনা হোৎনদুনা লাকখি। অদুবু চাউখৎ থৌরাংগী থবক কয়া শেল য়ান্না থাদদুনা পায়খৎলবসু পায়খৎখ্রিবা থৌরাংশিং অদুগী মখা তারকপদা ওইরিবা ফীভমশিং অদু য়েংশিনদুনা মতম শাংনা চৎননবা হোৎনদ্রগদি পায়খৎখ্রিবা থৌরাংশিং অদুগী কান্নবা অদু মীয়ামদা চপ চানা ফংহনবা হায়বসি ওইথোক্তে। হৌখিবা চহি খরা অসিদা মণিপুরগী হান্না ওইরম্বা ফীভম অদুদগীদি য়ান্না চাউনা অওনবা অমা পুরকখ্রে হায়না লৌবা য়াই। তৌবতবু থবকশিং অদু পায়খৎখ্রবা মতুং মখা তানা অমুকহন্না য়েংশিনদবদগী অকাই অতোইনা হেল্লকপা অদুনা মরম ওইরগা থবকশিং অদুদা ক্বালিটি কন্ট্রোল তৌদবগী মমি অমা তাহনবনি হায়না লৌবা তাই। অমরোমদসু মণিপুরগী লৈরিবা ইঞ্জিনিয়ারিং ডিপার্টমেন্টকী মনূংদা মথৌ তৌরিবা ওফিসারশিং অসি মণিপুরগী লো এন্দ ওর্দরগী ফীভমগা মরী লৈননা থবক শুফমশিংদা তৌরিবা থবকশিং অদু য়েংশিনবা ঙমদবগী ফীভম অমসু লাকখি হায়না লৌবা য়াই। মদুসু ডিপার্টমেন্টনা নৎত্রগা ডিপার্টমেন্ট অদুবু পুরিবনা অমদি থবক শুরিবশিংনা মথৌ চপ চানা পাংথোক্তবা অমদি শেঙ্গা –থুমজাগী অচৌবা ৱাথোক কয়া লৈবদগী ওইহনখিবা ফীভম অমনি হায়না লৌবসু য়াই। মসি মণিপুরদনা অয়াম্বা ওইনা থোকপা থৌওং ওইনসু উই। য়ুমথংনবা ষ্টেটশিংদা পায়খৎপা চাউখৎ–থৌরাংগী থবক কয়া অমা য়েংলুবা তারগদি নুমিৎখুদিংগী নৎত্রবসু থা খুদিংগী ওইনদি লম্বী–থোংনচিংবা কয়া অসি করম্বা ফীভমদা লৈরিবগে হায়বদু চেক তৌই অমসুং শেমজিল্লি। মসিদা নৎতনা লম্বীদা থাল্লিবা থাউমৈশিং হায়বদি ষ্ট্রিট লেম্পশিং অসিসু লেপ্তুনা চেক তৌদুনা ঙাল্লমদবা বল্বশিং অদু শিন্দোকপা নৎত্রগা শেমজিনবগী থবক অসি তৌই হায়না লৌবা তাই। মরমদি মণিপুরগী মীওইশিংনা চৎথোক–চৎশিন তৌবা মতমদা মতমচুপ্পদা লম্বী শেমজিল্লম্বা অমসুং ইলেকত্রিকেল লাইনশিং চেক তৌরম্বা অমসুং অতৈ ৱার্কশিং অদুগা মরী লৈনবা থবকশিং য়েংশিলম্বা অসি তত্তনা থেংনরি। মদুগুম্বা মওং অমতা ষ্টেট অসিদদি লৈতবগুন্না তৌই। মসিদি অনৌবা লৈঙাক অসিনা য়ান্না কুপ্না হৌজিকসু য়েংশিল্লিবা হিরম অমনি হায়বসি মীয়ান্নসু খংই। মসিগীদমক তোঙান–তোঙানবা ডিপার্টমেন্ট খুদিংমক্না মমাংদা তৌহৌদবা অমদি শেংনা থাগৎহৌদবা প্রোজেক্ট কয়াগী মতাংদা থিগৎপা হৌরক্লিবনি। মসিমক লৈঙাক অসিগী য়ান্না অচৌবা থৌশিল অমনি হায়না লৌফম থোকই।*

*লৈঙাকসিদা মীয়ান্না থাজবা থল্লিবা অসি মাংহন্দনবা ঙসিগী লৈঙাক পুরিবশিংনা হোৎনরক্কনি হায়না থাজরি। মসিদা মীয়ান্না উবা ৱাফম খরা হায়বা তারগদি শেমগৎ শাগৎলিবশিং অসিদা প্লান য়াওদবা মওংদা হেক্তা থবক পায়খৎপা অমসুং মেন্টিনেন্সকী থবক ৱাৎলিবা কয়া অসি য়েংশিনবগী তঙাইফদবা অসিনি। মরুওইনা মীয়ান্না মীৎয়েং চিংশিল্লক্লিবদি*

*মী চিল্লবা ট্রাফিক আইলেন্দশিং লৈরিবা মফমশিংদা মৈ পূম্মম মম্বা, থোংখোংশিংদা মৈ মতিকচানা ফংহন্দবা কয়া অসিগী মতাংদা লৈঙাক্লা য়েঙশিনফম থোকপনি। মসিদি অমারোমদা হায়রগা কন্সর্নন্দ ওইবা এম এল এ শিংনা মরী লৈনবা লৈঙাকসিগী দিপার্টমেন্টশিংদা হায়রগা অদুমক থবক্তা ওন্থোকপা য়াবা ঙাক্তনি। শন্না হায়রবদা মরী লৈনবা কেন্দ্রগী থবকশিং অসি মরী লৈনবা এম এল এ না য়েংশিন্দে হায়বনি। হায়রিবসিমক ঙসিগী লৈঙাক অসিদা চপ চানা ৱাকৎলুদবদগী খংদবনি হায়না লৌবসু কাইদে। তৌবতবু লৈঙাক অসিনা মখোয়গী মখাদা লৈরিবা ডিপার্টমেন্টশিংগী থবক খুৎশু অমদি তৌরিবা থবকশিং অদুদা য়েংশিনবা অমদি মথৌ তারে। হান্না পাল্লম্বা লৈঙাক্লা পায়খৎলম্বা থবকসু মীয়ামগীনি অমসুং ঙসিগী লৈঙাক অসিনা পুরিবা ৱাখল্লোনসু অফবা লৈঙাক অমগী মমি তাহন্দুনা মীয়ামদা অতৈ ষ্টেটশিংদা লৈরিবা খুদোংচাবা কয়া অদুগা মান্ননা খুদোংচাবা ফংহনবা হায়বসিনি। মসিদা মীয়ামগী অপাম্বা অদু খংহনবগী রাইট অদু পাউ–চে শিংনা লৌবনি হায়না ঙসিগী খং হৈরবা লৈঙাক্লোইশিংনা লৌফম থোকই। শেঙ্গা –থুমজা মুখৎনবা হোৎনরিবা লৈঙাক অসিনা মেন্টিনেন্সকীদমক থল্লিবা শেনফমশিং অদুদি মশানা লৈরবনিনা খরগীমখৈদি থাদরগা মীয়ামদা ঙসি ফাউবা ফংহন্দ্রিবা খুদোং চাবশিং অদু ফংহন্নবা হোৎনবগী তঙাইফদবা অমদি শোয়দনা লৈ। মদু কুপ্না য়েঙশিনবগী মথৌ তাৱা হায়বসি চীং –তমগী অৱাৎ–অপা য়েঙশিল্লিবা ঙসিগী লৈঙাকসিনা খন্থবগী মথৌ তাই।*

## এডিটরদা থারকপা চিঠি

### আশা তৌনিঙাই লৈতে

*ইকায় খুম্নজরিবা এদিটর,*

*প্রজাবু সেবা তৌজনিংবা লুচিংবা অসুক য়াম্না লৈনা লৈনা ইন্দিয়াগী প্রজাশিংনা ঙসি ফাওবদা চাওখৎপগী মমী ইউ উদ্রিবসি করি মরমগীনো হংনরি। চীন্বান্দতা নুংশিনা ঙাংলগা থম্মোয়দি নুংশিবা ঙমদবা রাজনিতিগী লুচিংবা শাবশিংগী মখৌ পোঙনা ঙাং–শকপদা প্রজাশিংনা পংথরুবগী মহৈরা নত্রগা প্রজাশিংনা হেন্না ৱাখল য়াওমন্দবনা চাওখৎ লম্বীগী থৌশিল কয়ানা অচুম্বা মায়কৈদা চৎপা ঙমদবনরা? কদায়দনো অহোবা অমা য়াওবনা ঙসিদি ইন্দিয়াগী মীয়ামসি লায়রবনা হেন্না লায়রনা লৈবা,ইনাক খুন্বনা হেন্না ইনাক খুনখিবগী চৎনবীদগী অহোংবা লৈবা ঙমদ্রিবসি ইন্দিয়া নত্তবা অতোপ্পা লৈবাক ফাওবনা করি মরম লৈবনো খন্নরক্লি হায়নরীবসি ইকাইনিঙাইনি। খজিক্তং খন্থহনবদা ইউনিতিগী লমদা য়াম্না শোন্মন্বনা চাওখৎ–ৱাখল্লোনশিং মচাই মচাইনরিবনি হেক্তা হায়নরক্লিবসিসু হেন্না ইকাইনিঙাইনি। অপুন্বনা পাঙ্গলনি হায়বদি খঙনৈ অদুবু পুনশিন্নবগী ৱাখল্লোনদি মমি শামলি।*

*অসিগুম্বা হেন্না লাইবক থিরবা ফিভমসিদা কাংলম খংদনা খৌশারিবনা ইন্দিয়াগী ষ্টেট ওইরিবা মণিপুরগী রাজনিতিগী লুচিংবশিংসু মাংজিল থারিবনি। ঙসি ফাওবদা মণিপুরগীদমক্তনি হায়দুনা মথৌনা লৈবা লুচিংবা অমত্তনা মশাগী ওইজবা পুম্বা থাদোক্তুনা ফম থাদোকপা য়াওখ্রবগে । ইশু কয়ানা ননশিল্লবা লমদমসিদা অখন্নবা ইশু অমত্তদা কদায় য়ৌনা ফিরেপ লৌরগা মাংজিল থানা চোংথোরকপা য়াওখ্রবগে হংনরিবসিসু উনদবা, তানদবননি হায়বা তাবনি। তশেংনা লমদমসিগী ওইনা মতিং লৈবা লৈবাকসিবু অফবা মাইকৈদা লমজিংবীগদবা লুচিংবা থোক্লকপা মতম কয়াম ৱাৎলিবগে খংনিংবগী ইখৌ লাংলবা ৱাহং হংনবা হৌরক্লিবসি খজিক্তং মিৎ–মাই পাংলকপগী অহৌবা খোংখাঙনি হায়বসু য়াই। তৌবতবু মণিপুরদা প্রজাগী সেবা তৌগে খন্বা রাজনিতিগী দল য়াল্লিবসিদি হেন্না লাইবক থিনিঙাইনি । দল মশিং য়ামজরবসু লুচিংবা ঙমগদবা মীওইশিং লৈতবনা হামু–হামু তাদুনা লৈরি। ওল্ড ৱাইন ইন ন্যু বোটলগুম দল অনৌবগী অনৌবা লুচিংবা থোলক্তে। হান্না মীয়াম্না মশক খঙলবা ৱাজনিতি লুচিংবশিংনা হোং–হোংদুনা অনৌবা দলশিংগী লুচিংবা ওইবগী চৎনবী অমা লাক্লি। মীয়াম্না নিংথীনা শক খঙলবা মগুণ খংলবা রাজনিটি লুচিংবা ওইরম্বা কয়ানা অনৌবা পার্টিগী লুচিংবা ওইরকপদা করি আশা তৌনিঙাই লৈরি হায়না মচি–মচিদা ঙাংনরিবসিসু তাশিন্বা ফবনি।*

অদোমগী
বিসি খুমন, ইম্ফাল

# হিন্দু দর্শণ–বাদ–১

ব্যসদেবগী বেদান্ত দর্শণবু তোঙান তোঙানবা আচার্য্যশিংনা খেন্ন–খেন্নবা মত পুথোক্তুনা ব্যাখ্যা তৌনরকপদগী বাদকী ৱাফম লাকই। মখোয় খুদিংমক্না ঈশ্বর, জগৎ অমসুং জীব–হায়রিবা অহুম অসিবু মাগী মাগী ৱাখলনা চুম্মী হায়না লেপ্পা মায়কৈদা পুনরকখি। অসুম্না মত খরা লাকপদগী হান্না পাক চাউদুনা লৈরবা হিন্দু দর্শণদা অমুক্কা হেন্না কুপথনা পাক চাউরকখি, লূথবসু হেল্লকখি। শ্রী শঙ্করাচার্য্যগী কেবলাদ্বৈত বাদ, শ্রীরামানুজাচার্য্যগী বিশিষ্টাদ্বৈত বাদ, শ্রী মাধ্বাচার্য্যগী দ্বৈত বাদ, শ্রীনিম্বার্কাচার্য্যগী মেদাভেদ বাদ, শ্রীবল্লভাচার্য্যগী শুদ্ধাদ্বৈত বাদ, শ্রী চৈতন্য দেবগী অচিন্ত্য ভেদাভেদ বাদ অমসুং শ্রীম্যেকগুরগী সিদ্ধান্ত বাদ নচিংবা তোঙান তোঙানবা দর্শণশিংসি লাকখি। হায়রিবা বাদ শিংসিগী য়ুম্ফমদি শ্রীশঙ্কর, শ্রীরামানুজ অমসুং শ্রীমাধবাচার্য্যগী বেদান্ত সুত্রদা পীরকখিবা ভাষ্যশিংদা য়ুম্ফম ওই, মরম অসিনা অহুমসিবু অতৈ বাদশিংগী মরম ওই হায়না লৌনৈ। বাদশিংসিগী চাওরাকপা শক্তম অমা থমজরি।

১. অদ্বৈতবাদঃ

শ্রীগৌরপাদাচার্য্যনা মণ্ডুক্য করিকাদা অদ্বৈত বাদকী ৱাফম ফোঙদোকখি। মাগী শিষ্য শ্রী গোবিন্দাচার্য্যগী অমসুং আচার্য্যসিগী শিষ্যনা শ্রীশঙ্করাচার্য্যনি। শরিরক ভাষ্যদা শ্রীশঙ্করনা মাগী পরম গুরু গৌরপাদগী অদ্বৈত বাদপু ময়েক শেংহনখি। বাদ অসিগী মপুং ওইবা ৱাফমদি 'ব্রহ্ম সত্যম জগন্মিথ্যা জীবো ব্রহ্মৈব ন অপরাঃ' হায়বদি 'ব্রহ্ম খক্তং অওইবনি, জগৎসিদি ওইদবনি, ব্র হ্মগা জীবগা খেন্নদে' হায়বসিনি। আত্মাদি স্বত্ত–সিদ্ধনি। মাবু লৈতে হায়বা য়াদে, লৈ হায়না উৎনবা প্রমাণ দরকার লৈতে। জ্ঞান, প্রামাণ, অনুমাননচিংবা পূম্নমক্কী য়ুম্ফমদুমক আত্মানি। আত্মানা লৈতবা মফম লৈতে। ব্রহ্মদি পোৎশক (পদার্থ) নত্তে। মীৎনচিংবা ইন্দ্রিয়শিংনা খঙঙমদে, অদৃশ্যনি। উপণিষদনা নত্তে নত্তে (নেতি নেতি) হায়রম্মীবদু মরমসিদগীনি। ব্রহ্ম লৈতে হায়বা নত্তে। মাতনা অরেপ্পা অরৈবা ওই। মহাক্না দৃষ্টা (উরি–খঙলিবা) নি, তুরীয়া (খঙবগী ৱাংমদা খঙবা, মীরম্লেনগী নত্তবা) নি অমসুং সাক্ষিনি। ব্রহ্মদি মশক নাইদে (নিরাকার), মগুণ লৈতে (নির্গুণ), তোপ তোপ্পা মতৌ লৈতে (নির্বিশেষ), হোংদোক হোংজিন তৌদে, হান্নদগী লৈরকই, হৌজিকসু লৈরি, তুংদসু লৈখিনি (সনাতন), করিশু তৌদে (অকর্তা), অপাম্বনচিংবা মঙোন্দা লৈতে, মহাক্তি উবা খঙবখক্তনি, মানা খঙদবসু লৈতে, মাগা মান্নবা নত্তগা মাগুম্বা হায়বা লৈতে, খেন্নবা লৈতে, মাবু তাকপসু ওইথোক্তে, করিগুম্বা অমদগী মহাক্তুনা তোপ তোপ্পনি হায়না তাক্নবা ৱাহে লৈতে। ব্রহ্মবু সৎ (অরৈবা), চিৎ (অখঙবা), আনন্দ (নুংঙাইবা) হায়বা ৱাহে অহুমসিনা সুপ্না খঙগনি। নিরাকার ব্রহ্মনা মায়াগা পুনশিল্লগা সকার অমসুং সগুণ ব্র হ্ম ওইবা ঙম্মী। অদুবু শক্লাইবা ব্রহ্মগা শক্লাইদবা ব্রহ্মগা খেন্নবা অমসুং ব্রহ্ম অনী শুবগী ৱাসু নত্তে। পরমার্থিক তত্ত্বদা নির্গুণ অদুগা ব্যবহারিক তত্ত্বদা সগুণ ওইগনি। থম্মোয় শেংবা ভক্তশিংগী নুংঙাইজনবগীদমক ব্রহ্মনা মশক নাইবীবনি।

ককচিংতাবম ব্রজমনি শর্ম্মা

জগৎসি মায়া নত্তগা অবিদ্যাগী পোথোকনি। ব্রহ্মজ্ঞাণ ফংদ্রিবা ফাওবা মায়া লৈরি, মরম অসিনা জগৎ অসিসু লৈরি। ব্রহ্মজ্ঞান ফংবগা মায়া লৈত্রে, অদুনা জগৎসু লৈত্রে। মায়াবু লৈতে হায়বসু য়াদে, লৈ হায়বসু য়াদে, মরমদি অশেংবা অওইবা ব্রহ্মগী জ্ঞানলাক্ত্রি বা ফাওবা মায়া লৈ, ব্রহ্মজ্ঞান হেক লাকপগা মায়াসু লৈত্রে। ব্রহ্মখক্তং লৈ তৌইগুম্বসুং মায়ানা মরম ওইদুনা হোংনাইদবা ব্রহ্মবু হোংবগুম খলহল্লি, মসিমক জগৎনি। মায়া হায়বসি ব্রহ্মগী অঙকপা শক্তি অমনি। মহাক্না অওইবা মশকপু লোৎশিল্লি অদুগা মশামকপু ওইদবা ওইনা ফোঙদোকই। জগৎ হায়বসি ব্যবহারিক সত্তানি ( লৈবগুম খনবনি)। অদুগা ব্রহ্মদি পরমার্থিক সত্তানি (তশেংনমক লৈবনি)। অসুম্না জীবসু ব্যবহারিক সত্তানি। অবিদ্যানা মরম ওইদুনা লৈতবা উপাধিশিং হায়বদি হকচাং, পুক্নিং, মিং অসিনচিংবা মতম পূম্নমক্তা লৈবা নত্তবশিংসিনা লৈরিবা অদুক্কী মখে জীব লৈ হায়না খঙই। উপাধি (মিংথোন) শিংসিনা মরম ওইদুনা ঐনা চায়, চৎলি হায়বনচিংবা ৱাখলসি ফাওই। তৌইগুম্বসুং জীবদি ব্রহ্মদগী তোপ্তে। মরম অসিনা উপনিষদনা হায়রি, 'তত্ত্বমসি' হায়বদি 'মদুমক নহাক্নি'। অসিদ্যাবু হেক লৌথোকখিবদা জীবদু ব্রহ্ম নত্তনা করিশু ওইদে। চফু কায়রবদা মনুংগী অহাংবগা মপানগী অহাংবগা অমত্তা ওইখি, চফু লৈরিমখৈদি চফু মনুংগী অহাংবা, চফু মপানগী অহাংবা হায়না লৈরম্বনি। শঙ্করগী মত মতুং ইন্না কর্ম অমসুং ভক্তিনা জ্ঞান ফংহনগনি, জ্ঞানবু ফংবগা মোক্ষ ফংগনি। মোক্ষ হায়বদি জীবনা উপাধিনা মরম ওইদুনা শেরান্ননা মশামক অরৈবনি খল্লম্বদু ব্রহ্মজ্ঞান ফংদুনা অবিদ্যা মাঙখ্রবদা জীবদুমক ব্রহ্মগা অমত্তা ওইশিন্নখিবদুবুনি। শঙ্করনা মাগী বাদ কী অচুম্বা উৎননবা বিবর্তবাদ (লান্ননা খনবা) হায়বা ৱাফমসি কন্না তাকপীরম্মী।

লান্ননা খনবা, মাল্লুবা, ওই হায়না খনবা (অধ্যস) গী প্রমাণ পীরদুনা তাকপীরম্মী মদুদি য়াচঙবদা থৌরী মতৎপু লিননি হায়না লান্ননা খল্লুদুনা কিরুবা, মদুদগী হুমাং কাংবা, শম য়ুংবা, তু চুংবা, হকচাং নীকপনচিংবা মওং কয়া থোকহনবা ঙম্মী। তশেংবদি মদু হু চেনবা, মানা চীক্লগা শিবা লিন্দু শুকনৎ নত্তে, করিশু তৌদবা থৌরী মতৎনি। অদুবু থৌরি মতৎনি হায়বা খঙদ্রিবমখৈদি অদুম্মক অকিবদু লৈ। (রজু–সর্প সিদ্ধান্ত)। অসুম্না হকচাং, জগৎ নচিংবসি ব্রহ্মদুদা লান্ননা উবনি। বিবর্ত বাদসিদা অমুক লৌখৎলিবা ৱাফমদি, কারণ (মরম) না করিগুম্বা অহোংবা অমত্তা লৈতনা মহৈ পীবসু ঙম্মী। হায়বদি থৌরী মতৎতু করিমত্তা লেঙদে, হোংদে অদুবু অকিবদু পী। মদুগী মরমদি লিন মান্না অউবা মীদুনা খনজিল্লুবগীনি। অসুম্না অওনবা অহোংবা লৈতবা ব্রহ্মবু তোঙান তোঙান্না উই। কন্না নীঙবদগী নীঙইবদুমক ওইবা ঙম্মী (ভ্রমর–কীত ন্যায়) হায়বসিসু পুশিন্দুনা ব্রহ্ম খঙবনা ব্রহ্ম ওই হায়না প্রমাণ তৌই। চফুগী তোঙান তোঙানবা মওং লৈরবসু খুদিংমক্তা লৈবাক শোয়দনা য়াওই, সনাগী খেন্নরবা লৈতেং খুদিংমক্তা সনাদি শোয়দনা ওইবগুম, তোঙান তোঙানবা শক্তম, মিং কয়া লৈরবা জগৎ, মী–শা নচিংবা পোৎশক খুদিংমক্তা ব্রহ্মখক্তা ওই হায়বসি বাদ অসিগী পাউজেলনি। শ্রীশঙ্করনা পরমার্থিক অমসুং ব্যবহারিক তত্ত্ব (তশেংনমক চুম্বা অমসুং চুম্বোইনা নীঙবা) হায়দুনা থাক অনী খায়দোক্তুনা থম্বীরম্বসিনা কুপ্না থিজিল্লকপা মতমদা বাদ অসিগী মরীক চুম্বা, ফজবা হেনগৎহল্লি।

২. বিশিষ্টাদ্বৈতবাদঃ

বাদ অসিগী মরুদি বোধয়নগী বৃত্তি নি লৌনৈ। নাথ মুনি, যমুনাচার্য্য অমসুং রামানুজাচার্য্যনা মথং–মথং শেমগৎলকখিবনি হায়না থাজনৈ। রামানুজগী ব্রহ্ম সুত্রদা পীবা শ্রীভাষ্য, ভগবদগীতাগী ভাষ্য, বেদান্ত সার, বেদার্থ সংগ্রহ, বেদান্ত দিপা নচিংবা লাইরিকশিংসিনা বিশিষ্টাদ্বৈত বাদকী হৌফমনি। রামানুজনা ভক্তিদা কন্না থাজখিবা অলবরশিংগী লাইরিক তামিল প্রবন্ধদগীসু মচাক য়াম্না লৌখি অমসুং মদুনা মহাক্কী বাদ অসিবু উভয়–বেদান্ত হায়রগসু খঙনৈ।

রামানুজনা হেক লৈরিবা খুদিংমক ব্রহ্ম খক্তনি হায়বসি য়াই, তৌবতদি ব্রহ্মদা ময়াম থোকহনবা ঙম্বগী শক্তি লৈজে, মরমদুমক্না মহাক (ব্রহ্ম) মতোমতনা খেন্ননা উৎলিবা পোৎয়ামসি পুথোকইবনি। আচার্য্যসিগী ব্রহ্মদি শক্লাই, সবিশেষ ব্রহ্মনি (গুণ লৈবা ব্রহ্মনি)। মহাক্তি সর্বশক্তিমান (খ্বাইদগী কনবা, শক্তি রেল), সর্বজ্ঞ (খঙদবা লৈতবা) অমসুং ঙমখৈ লৈত্রবা নুংশিবগী মশক্নি। বেদনা ব্র হ্মবু নির্গুণ (গুণ লৈতবা) নি হায়বগী অর্থদি মঙোন্দা অনেম্বা গুণশিং (অৱা–অনা, পোকপা–শিবানচিংবা) লৈতে হায়বনি। মহাক্তি অন্তর্যামীনি (পূম্নমক্কী নুংগী ৱায়েনবনি)। বিভুনি (মানা লৈতবা মফম লৈতবনি)। সত্য (অচুম্বা), জ্ঞান (লৌশিং) অমসুং আনন্দ (নুঙাইবা) গী মশক্নি। মহাক্না জীব অমসুং জগৎপু ঙাক্তু না পুরিবনি। গুণগী তিনফম শেষিনি, বিশেষ্যনি, নোংদম্বা (নিয়ন্তা) নি অদুগা জীবনা নিয়ম নৎত্রগা শেষ (মখা পোনবা, কনাগুম্বনা লাকশিল্লবা) নি। ব্রহ্মদা স্বগত ভেদ (নুংগী ওইবা খেন্নবা) লৈ, জীব অমদি জীব নত্তবা পূম্নমক মঙোন্দা লৈ (চিৎ–অচিৎ বিশিষ্ট)। ব্রহ্মনা মাগী অনীঙবগী মখা পোন্না মওং মঙাদা ফোঙদোকখি, মদুদি পরা (মীরম্লেনগী নত্তবা), ব্যুহ (কাঙলূপ), বিভাব (অবতার), অর্চ (মমি, শক্তম) অমসুং অন্তর্যামি (ফোংদোক্তুনা নুংদা ৱায়েন্দুনা লৈবা)। রামানুজনা ব্রহ্মনা ব্রহ্মবু নারায়ন হায়না মিংথোল্লি, বৈকুন্ঠদা মহাক্কী শক্তি লক্ষ্মীগা লৈ হায়না তাকই। লক্ষ্মীনা জীবগী য়াইফনবগীদমক্তা নারায়ণ দা হায়জে, জীববু নারায়রণদা পুশিনবী। শ্রী সম্প্রদায় হায়না খঙনবা বৈষ্ণব সম্প্রদায় অসিদা শ্রী নৎত্রগা লম্বীগী চাউরবা থৌদাং লৈ। মরমসিমক্না সম্প্রদায়সিবু শ্রীসম্প্রদায় হায়রম্বনি।

***অনিশুবা শরুক মথং লৈবাকপোকপদা***

# যোগ অমসুং ইস্লাম

*ডা. ইমরান চৌধরী অমসুং অভিজীৎ সিংহ*

***মমাং লৈবাকপোকপগী মখা...***

(৬) ধারনা অমসুং ধ্যান– পূক্নীংবু মফম অমদা হেন্দোকহন্দনা লেঙহন্দনা থম্বা নৎত্রগা পূক্নীংবু অমত্তদা লেঙদনা থম্ববু ধারনা কৌই অমসুং ধ্যেয় বস্ত (খনগদৌরিবা পোৎশক) অদুবু খন্না খন্না পূক্নীং অসিমক পোৎশক অদুমক ওইহনববু ধ্যান কৌই। মপূং ফাবা ধ্যানগী মওংদদি অতোপ্পা করিগুম্বা পোৎশক অমগী ৱাখল অমসুং নীংশিংবা পূক্নীংদা চঙদে। হকচাং, পূক্নীং, বুদ্ধি অদুগা আত্মাবু অমত্তদা তিনশিনবা, ঐখোয়গী শক্তি অদুদা লেঙদনা থম্বা হায়বসি ধ্যান যোগগী শীঙথাবা য়ারবা অথুপ্পা ৱা ওইবতা নত্তনা যোগগীসু থৱায়নি। শক্তি লেঙদনা থম্বা মতমদা হকচাং অমসুং পূক্নীংদা শক্তি হাপচিল্লকই। ঐখোয়গী আত্মাশিংনা মপাঙ্গল হেনগৎলকই। মমাংঙৈগী মতমদা অয়াম্বা পাঙ্গলখক্তা হেনগৎহনবদা নত্তনা তাইবঙ ৱাংমগী ওইবা লৌশিং অমসু শংশঙনা উবা ঙমখি অমসুং লাইগী ৱাফম ফাওবা ফোঙদোকপা ঙমখি। দরকার ওইদবা অমসুং মরী লৈনদবা ৱাখল লৈনদবা ৱাখল পূম্বা পূক্নীংদগী তাম্থোকখ্রগা, মরী লৈনবা অমসুং দরকার ওইবা ৱাখলতমক ঐখোয়গী কোক অসিদা মফম পীরগা ধ্যান অমসুং ধারনাগীদমক পূক্নীংবু অমত্তদা লেঙদনা খনবা, লোয়ননা শেংদোক্লবা, মী চীকপা অমসুং অমোৎ অকায় (ফত্তবা ৱাখল পোক্লোইদবা) লৈতবা মফমদা পূক্নীং ঈং তপ্পা, হাইহন্দনা তৌগদবা সাধনানি।

ইস্লাম শন্দোকপা মুহম্মদ সাহবকী শেংলবা পুন্সিনা চহি ৩৫ শুরকপদগী মহাক্না অচীকপদা লৈবা পামখি। মতমদুদা মহাক্না অরবকী মীশিংগী মরক্তা হাৎনশুনবা, খৎন–চৈনবা, মখোয়গী লেল্লিবা পুন্সি মরেন অমসুং চাকচা ফমফমদা য়ান্না নুংঙাইরমদে অমসুং ফিভমশিংদুগী মরক্তা মাগী চহিনা ৪০ শুরকপদা মক্কা–মুকর্রমাদগী মাইল অহুম লাপ্পা মফম য়ান্না ফবা অমা ফংখি, অদুদা নুংঙাইবা অচীকপা, অশেংবা অকোয়বা লৈরম্মী। মহাক্না মফমদুদা নুমিৎ খরনিগী চানা থক্নবা পুরগা থোইনা নুঙাইরবা মফম ওইবনা অরেপ্পা লৈতনা ইলাহীদা ধ্যান তৌদুনা (মসরুফ) লৈখি। অসিগুম্বা ধ্যান্দা লেঙদনা মহাক্না লৈরিঙৈদা নোংমা ঈশ্বরগী দুত জিব্রীলগী শক্তম উখি অমসুং মহাক্কী খুখাংদগী মহাক্না অহানবা ওইনা ঈশ্বরগী য়াথং ফংজখি।

(৮) সমাধি– যোগ দর্শনগী মতুং ইন্না মোক্ষ ফংবগী ওইথোকপা লৈ হায়রি। আত্মাগা পরমাত্মাগা পুনবা হায়বদু ফিভমসিদা ওই। হজরত মুহম্মদকী পুন্সিদা শবে–মেরাজগী থৌদোক অদু মতীক চাবা মগুন লৈবনি, হায়নবা লৈ মেরাজ অসিগী খোংচৎ অদুদনি মহাক্না খুদাবু উবা ফংবগী লাইবক ফবা ফংখি অমসুং নুঙাইনা নমাজগী মথৌ পাঙথোকই, অদুখক্তা নত্তে মেরাজগী মতৌদুদা মহাক্না মাঙদা উখিবা ফগৎলকপশিংদুসু উবা ফংখি।

মুসলমানশিংগী মরক্তা মেরাজগী মতাংদা খেন্ননা লৌনবা ময়াম লৈ। মুসলমান ফুরুপ অমনা থাজবনা রসুলগী মেরাজ অসি হকচাং অমসুং থৱায় লৈনা (হায়বদি হিংলিঙৈদা) ওইখিবনি, অদুগা কাঙবু অমনা রসুলগী মেরাজদু হকচাং য়াওদনা ওইখিবনি, অঙকপা মওংদা মী অমনা মশাগী ফমুংদা হীপ্পা হীপ্পা লাপ্লবা দেশশিংদা কোয়বনি হায়না থাজনৈ। অতোপ্পা অহুমশুবা কাঙবু অমনা রসূল সাহবকী মেরাজ অমদি যোগগা মরী লৈনৈ হায়না থাজে। জাবেদ খান (তাইকোন্দোগী মরমদা খ্বাইনা শক খঙবা মিং অমনি ) না মাতা নির্মলাগী মমাঙদা 'সহজ যোগ' তমখি অমসুং মহাক্না খঙলকপশিংদু মশামক্না 'ইস্লাম ইনলাইটেড' হায়বদি 'ইস্লামাজ্ঞান লোক্তা' হায়না মিংথোনবা লাইরিক অমা ইখি, মাগী লাইরিক্তা ময়েক শেংনা পল্লি মদুদি রসুলগী মেরাজবু মহাক্না অধ্যাত্মগী অৱাংবগা মরী লৈনৈ অমসুং মরোল তরেৎতা কোয়বগা হকচাংদা লৈরিবা চক্র তরেৎকা মান্ননা উৎলি।

মেরাজগী থৌদোক অমসুং যোগ শাস্ত্রগী নৈনবা অসিদা ময়েক শেংলিবা ৱাফমদি মসিনি মদুদি জাবেদ সাহবনা হায়রিবা মেরাজগী ব্যাখ্যাসিমক বিজ্ঞান্দা য়ুমফম ওই, পৃথিবীসিদা লৈ অদুগা অহলে–ইল্মগী মরমদা য়ানীংদবা পূন্নমক্কী পাউখুম চপ চপ চানা পীরে।

মহর্ষি পতঞ্জলিনা মহাক্কী 'যোগদর্শণ' হায়বা শাস্ত্রসিদা হকচাংদা য়াওরিবা চক্র তরেৎকী মশক তাকপিরি, যোগদা মখোয়বু সুক্ষ্ম শরীর (অকূপ্পা হকচাং)গী সপ্ত চক্র কৌনৈ। চক্র তরেৎ অসি ধ্যান তৌবা হায়বদি পূক্নীং লেঙদনা থম্বদা অধ্যাত্মগী অদুগা মীওইপোক্কী ওইদবা জ্ঞান ফংই। সুক্ষ্ম চক্রদা চক্র অসিগী মমিং মখাগী অসুন্না পীরি–

মূলাধার চক্র– হকচাংগী মখা থংবা থোঙ অনিগী মরক্তা লৈ।

স্বাধিষ্টান চক্র– চনীঙদালৈ।

মণিপুর চক্র– খোয়দৌদা লৈ।

অনাহদ চক্র– মসি থম্মোইগী মনাক্তা লৈ।

বিশুদ্ধ চক্র– মসি খৌরিগী অকুৎপদা লৈ।

আজ্ঞা চক্র– মসিনা পীশূম অনীগী মরক্তা লৈ।

সহস্রার চক্র– মসিনা কোক্তা লৈ।

চক্র তরেৎ অসিগা ঐখোয়গী করিনো অমা হেক তৌবগা মরী নক্না লৈনরি। মূলাধার চক্রগী শক্তি অসিদা অশোয়বা লৈরবদি মীদুগী থবক পাম্মী অদুগা হিংসাগী মায়কৈদা চঙশিল্লি। স্বাধিষ্ঠান চক্রদা অশোয়বা লৈরবদি মীদু থবক তল্লি, অদুগা নুংঙাইথোকপা অমসুং অপাম–নুংশিদা পূক্নীং চঙবা পুন্সি ওই। মরম অসিনা যোগীনা যোগদা সাধন তৌজরগা অমসুং মসিগী নিয়মশিং ইল্লগা শক্তি তুংশিল্লি। থবক অমা মপূং ফানা হৈনীংনা তৌবা মতমদা মীদুগী চক্রগী শক্তিশিংদু লৈরবনি খঙই। হায়নৈ মদুদি কুণ্ডলিনী থকলোমদা কারকই, তোঙান তোঙানবা কেন্দ্রশিং ফাওদোক্তুনা লাক্লগা কোক্তা লাকই, মদুগী মহৈনা পরমাত্মাদা পূল্লি।

রসূল সাহবকী মেরাজদা য়েংবীয়ু অদু ওইরবদি মসিমক থোকখি। অহানবা লোক (আসমান) দগী হৌরগা লোক পূম্বদা জিব্রীলগী মবুঙো খুদানা মহাকপু হকচাং ফবা, হকচাং শেংবা, লমচৎ ফজবা, য়ম–নিয়ম, চাকচা–ফমফম ফজবা পী, তাকপি। মহাক্না তরেৎশুবা লোক হায়বদি সহস্রার চক্র য়ৌবদা মহাক্না কুর্ব– ইলাহী, লাইবক ফবা ওইখ্রে, জাবেদ খান সাহবনা মাগী লাইরিক্তা অসিফাওবা ইরি মদুদি রসুলগী তরেৎ শুবা আসমন ফাওবদা চঙখিবা হায়বদু বুর্রাক দরঅসল কুণ্ডলিনী হায়বদুনি।

জৈন ধর্মদা ওঁ – জৈনগী লাইরিকশিংদা ওঁ গী মগুন চাউনা হায়, জৈনগী ধর্ম্মগী লাইরিকশিংদা পীরিবা ৱাদি অর্হত, অশরীরী, আর্চায্য, উপধ্যায় অমসুং মুনি–মঙা অসিগী অহৌবা ময়েকশিংনা পূল্লগা ওঁ শেমখিবনি, মসিদি বীজ মন্ত্রনি।

সিখ ধর্ম্মদা ওঁ কার – সিখশিংগী শেংলবা লাইরিকশিংদসু অহানবদা ওঁ কার ই, ওঁ কারবু সতনাম করতা পুরখ হায়।

যহুদি অমসুং ঈসাই মজহব (ধর্ম্ম) দা ওঁ – ঈশাইগীদসু থাজবা লৈ মদুদি অঙাংবা মখোল অমদগী লৈশেম্বগী মরম ওই, য়ুহন্না গী ইঞ্জীলদা য়াওরি–অহানবদা ৱাহে লৈখি, অদুগা ৱাহৈনা পরমেশ্বরগা লৈমিন্নখি, অমসুং ৱাহৈদুমক পরমেশ্বর ওইখি। প্রভূ ঈশানা হায়খি, ঐ অল্ফা অমসুং ওমেগানি। (ওমেগা হায়বা ৱাহৈসিদি ওঁ দা য়াওরে।)

*মখা মথং লৈবাকপোকপদা...*

*মণিপুরীদা ঃ*
***ককচিংতাবম ব্রজমনি শর্ম্মা***

## থাজবা

# মী অমগী থবক্কী অর্থ হনবা

মী খুদিংগী নোংম নোংমগী পাংথোকপা থবক্কী মপূং ফাবা মীৎয়েং অমা কৃষ্ণনা থমই, হায়না ভগবদ গীতানা হায়রি হায়না শ্রী গোরা ভেনকাতেশ্বর শাস্ত্রীগলনা ৱাঙাং অমদা পল্লি। মী অমদা থবক অমা তৌনবা ইঙ্গিৎ পীবদা, থবক অদু হকচাং পুম্বগী পাঙ্গলগী থবক, পূক্নীংগী থবক খুদম ওইনা ৱাখল খনবা, নীংবা, ধ্যান তৌবনচিংবা, অমসুং ৱা ঙাংবা ওইনা নৎত্রগা ৱাহৈনা ফোংদোকপা ওইনা তশেংনা উৎলি। কৃষ্ণনা হায়রি মদুদি থবক অমা পাংথোকপদা মদুগী মনুং চল্লিবশিং অদুদি ৱাখন্না তৌবা, ৱাহৈ নৎত্রগা থবক্না অমসুং মদু অফবা নৎত্রগা ফৎতবা হায়না মশক তাক্লিবা –মসিদা মচাক মঙা চংদবা য়াদে। মখোয়দুদি – থবক অদুগী মফম নৎত্রগা থবক অদু তৌরিবা মফম, থবক ঙম্বা মী নৎত্রগা তৌরিবা মী, ইন্দ্রি, মখোয়গী থবক তৌবগী পাঙ্গল অমসুং অরোইবদা ঈশ্বরগী থৌজালগী পোৎ অসিনি।

চফু শাবা অমনা চফু শাবা মতমদা, চফু অদু শাবগী থবক মপূম অদু ওইথোকহল্লিবসি থবক অদু তৌনবা মফম, চফু শাবগী কাংখোং (চাকা), লৈবাক–লৈখোম, ঈশিং অমসুং অতৈ মচাক পূন্নমক চফু শাবা মী অদুগী হৈশিংবা অমসুং পূন্নমক অসিগী মথক্তা, মশক উদবা খ্বাইদগী মরু ওইবা পোৎ, শন্না হায়রবদা ঈশ্বরগী থৌজাল, পূন্নমক্না খংনরিবা লাইবক নৎত্রগা নোংদম অসিসু লৈ/য়াওই।

কর্ননা মহাক্কী দোলাই চাকা লৈখোমদা পুৎথবদু ফুকনবা হোৎনরিঙৈ কৃষ্ণনা অর্জুনদা ইঙ্গিৎ পীদুনা মাগী অয়াংবা তেন অদু কাপ্নবা লানফমদা হায়খিবদুনা কর্নগী অরোইবা ওইখি। অর্জুননা লৌফম থোক্তবা খুদোং চাবদু লৌবদা চিংনরমই অদুবু মমৈথংদা য়াথং অদু ইন্দুনা তেন্না কর্নগী মকোকক্কা মশাগা তোঙান তাহনখি। মরম কয়ামুক্না শরৌ শিন্দুনা অচৌবা লানহৈবা অমসুং পুকচেল চাউবা, পীনহৈবা নুপা অসি তুবগী মরমনি হায়না কৃষ্ণনা শন্দোক্না হায়রি। মরমশিং অদুদি– মাগী গুরুগী শাপ, ইন্দ্রগী খুজিল থৌরাংনা মাগী লানগী হক্কন( কবচ) ফুরিৎ লৌথোকহনবা, কুন্তী, ব্রাহ্মনগী শাপ অমসুং অরোইবদা কৃষ্ণগী ঈশ্বরগী ওইবা অনিংবা অসিনি।

কৃষ্ণনা শন্দোক্না তাক্লিবা থবক, মদুগী মরমশিং অমসুং মহৈশিং অসিগী মঙালদা মী অমনা নোংমগী থবকশিং মতোমতা মচা খায়না নৈনরগা, শেরান্ননা থাজরিবা া''ঐ ইশা ইতোমতনা থবক তৌবনি।'' হায়বা ৱাখল অসি থাদোকপা ঙমগনি। অচৌবা তাইবংপানগী নিয়ম অমদা লৈরিবা অসিবু মীওইবগী থবকনি হায়না উহল্লিবসি নাপলগী ৱাখল অদুননি। অসিগুম্বা ইশাগী নুংগী মীৎয়েং অসিনা মী অমবু সংসার ৱাংমদা লমজিংবনি অমসুং নাপলনা পুনশিল্লিবা অদুদগী নাম্থোকহনবা ঙমগনি।

***কর্টেসিঃ ডি হিন্দু ,***
***মণিপুরীদা– বি এ শর্ম্মা***